# হসিনাগী কনভোইদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা বি এন পিগী ৱার্কর ৫০ জেলগী চৈরাক পীখ্রে



ধাকা, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০০২ দা প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনাগী কনভোইদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা থৌদোক থোকখিবা চহী ১৯ কান্নরবা মতুং শগোলশেন নুমিত্তা বাংলাদেশকী কোর্ট অমনা এম পি হবিবুল ইস্লাম হবিব য়াওনা বাংলাদেশ নেস্নেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) ৱার্কর ৫০ জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

ৱায়েল অদু সাটখিরা কোর্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট হুমায়ুন কবিরনা পীখিবনি। শগোলশেন নুমিত্তা ৱায়েল অদু পীখিবা মতমদা একুজ ৫০ গী মনুংদা ৩৪ কোর্টতা লৈখি। একুজ খুদিংমক বি এন পিগী এক্টিভিষ্টশিং অমসুং ৱার্করশিংনি। হবিব অমসুং অতৈ মীওই অনীদা চহী ১০ গী ফাদোক পীখি।

একুজ ৫০ দুগী মনুংদা অমা ওইরিবা বি এন পিগী খুৎলাই পায়বা কাদর 'টাইগর খোকোন' দি অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা হান্না জেলদা থাজিনখ্রবনি। মীওই ৫০ গী মনুংদা বি এন পিগী লোকেল লিদর অব্দুল কাদর বাচু য়াওনা মীওই ১৫ দি মীরেপ ওইদুনা লৈরি। কুমজা ২০০২ গী ওগষ্ট ৩০ দা মতমদুগী ওপোজিসন লিদর শৈইখ হসিনাগী কনভোইদা বি এন পিগী খুৎলাই পায়বা কাদরশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখি। থৌদোক অদু কলারোরা উপজিলাদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদু হসিনানা সাতখিরাদা চত্তুনা রেপ ভিক্টিম ওইরবী ফ্রীদম ফাইটর অমগী লোয়নবী উনরুরগা জেসোরেদা হল্লকপদা থোকখিবনি। নুপী অদু মতমদুগী লোমেকর অমসুং পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট হজিবুল ইস্লামগী ইন্সত্রক্সনদা বি এন পিগী ৱার্করশিংনা রেপ তৌখিবনি।

এটেক অদুদা হসিনা শম্নাদা হিংহেরবসু অৱামি লিগকী লিদর অমসুং এক্টিভিষ্ট ১২ গী মথক্তা শোকখি। এটেক অদু চত্থখিবগী মরাল শিরদুনা কালারোৱাগী ফ্রীদম ফাইটরশিংগী কম্মান্দর মোস্লেমুদ্দিননা কুমজা ২০০২ গী অশ্রফ হোসাইন অমসুং অব্দুল কাদের বাচু য়াওনা মীওই ৭০-৭৫ গী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌখি। মদু পুলিস ষ্টেসনদা রেকোর্দ তৌদে হায়রদুনা মতমদুগী জামাট-বি এন পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা দিসমিস তৌখি। কেস অদু কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর ১৫ দা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেটমেন্ট অমা ওইনা খন্নখি। তুংদা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা মীওই ৫০ গী মায়োক্তা কোর্ট অসিনা চার্জসিট অমা ফাইল তৌখি।

# য়ু এস, ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনা অমসুং ম্যান্মারগী মরমদা খন্নখ্রে



কানবেরা, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

চাইনা অমসুং হন্দক্তা ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কু তৌখিবগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বা ৱাফম য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা খন্নখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা উংখৎনবা লৈরিঙৈ অমসুং ম্যান্মারগী মিলিটরিনা কু অমা চত্থদুনা নোবেল লোরিএট ওং সান সু চিগী ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টদগী পৱার মুনখিবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লুচিংবা অনীনা ফোনদা ৱারী শান্নখিবনি।

বাইদেননা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী অহানবা ওইনা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শান্নখিবদুগী মতাংদা পল্লদুনা হ্বাইট হাউসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, য়ু এন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এলাইএন্সনা ইন্দো-পেসিফিক অমসুং মালেমদা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকপদা মতেং পাংই।

মোরিসননা চাইনা অমসুং ম্যান্মারগী মরমদা বাইদেনগা ৱারী শান্নখিবগী অকুপ্পশিং পীয়ু য়াখিদে। কানবেরাদা পাউমীশিং উনবদা মোরিসননা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ু এসকী মরীনা লমদম অদুগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা ঙাক্লৌ পী হায়বা বাইদেনগী ৱাফম পনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা ষ্ট্রেটেজিক মিচং অমা ওইরিবনি। ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ত্রেনিং পার্টনর চাইনাগী মরী ফৎচিল্লক্তবগা লোয়ননা মোরিসননা য়ু এস-ওষ্ট্রেলিয়াগী মরী অসি লুনা লৌখি।

য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না ক্লাইমেট চেঞ্জকী ৱাফম লুনা লৌরিবা অসিনা মোরিসনদা প্রেসর পীবা য়ানা লৈরি। কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা জিরো ইমিসনগী পান্দম ফঙহনসি হায়বা বাইদেনগী ৱাফম মোরিসননা হৌজিক ফাওবা শৌগৎত্রি। অদুম ওইনমক মোরিসননা ৱারী শান্নবদু পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওই হায়খি।

# মিলিটরি কু য়ানিংদবা উৎপা হেনগৎলকপদগী ম্যান্মারগী জুন্টানা ফেসবুক থিংজিনখ্রে



নেপিটো, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা মিলিটরিনা চত্থখিবা কু য়ানিংদবা উৎপা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী জুন্টানা তংদু লৈতাবগী ফীভম লাকহন্নবগী মিংদা শগোলশেন নুমিত্তা ফেসবুক থিংজিনখ্রে।

এক্টিভিষ্টশিংগী মতুং ইন্না কু অদুগী মায়োক্তা চত্থখিবা লন্বীগী প্রোটেষ্ট অমদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম ফাখ্রে। কু অদুনা মফম তাহনখ্রবা নোবেল লেরিএট সু চি হৌজিক লোনা য়াদবা মওংদা কম্যুনিকেসন্স ইক্বিপমেন্ট পুশিল্লকখিবগী চার্জ মায়োক্লরি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখিবগী থৌওং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কন্দেম তৌখি অমসুং মখোয়না জুন্টাদা সু চিগী পার্টিনা মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবদু ঈকায় খুম্নবা তকশিনখি।

ম্যান্মারগী মরু ওইবা ইন্টরনেট প্রেটফোর্ম অমা ওইরিবা ফেসবুকতা জুন্টা য়ানিংদবা উৎপা লেপ্পুনা হেনগৎলকখি। জুন্টানা ফেসবুককী ৱাটসএপ মেসেজিংসু থিংজিনখি।

মফম খরদা মখা তানা ফেসবুক শীজিন্নবা য়াবদগী অনীশুবা সিটি মন্দলেদা দেমোন্সত্রেটরশিংনা প্লেটফোর্ম অসিবু কু অদুগী মায়োক্তা পাঙথোকপা অহানবা ষ্ট্রিট প্রোটেষ্ট লাইভষ্ট্রিম তৌবদা শীজিন্নখি। বেন্নর অমদা মীয়াম্না মিলিটরি কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা হায়না ইখি।

মীওই ২০ গী গ্রুপ অমনা 'ঐখোয়গী লিদরশিং হৌজিক থাদোকউ' হায়বা খোল্লাও লাওখি। তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় গ্রুপ অহুমগী মতুং ইন্না, পুলিসনা প্রোটেষ্টর অহুম ফাখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা এজেন্সিনা পুলিসকী কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে।

লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংগী ষ্টাফনা চত্থখিবা সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইনগী ইমেজশিংসু মোসল মীদিয়া নেটৱার্ক অসিনা স্যের তৌখি। ডোক্টরশিংনা থবক লেপ্পখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্লেটফোর্ম অসিদা থাগৎলকখিবা ইমেজশিংদা এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী ৱার্করশিংসু কেম্পেইন অদুদা য়াওশিনবা উখি।

# মার-এ-লাগোদা ত্রম্পনা শীজিন্নরম্বা হেলিপেদ দেমোলিস তৌরগনি

মাইয়ামি, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

ফ্লোরিদাগী পাম বিচ টাউনদা লৈবা ত্রম্পকী মার-এ-লাগো রিসোর্টতা লৈরিবা হেলিপেদ অমা থুনা থুগাইরগনি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হেলিপেদ অদু ত্রম্পনা ওফিস পায়রিঙৈ মনুংদা শীজিন্ননবা শেম শাখিবনি। পাম বিচ দেলি ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না, রিজোর্ট অদুদা লৈরিবা টাউনগী অমত্তা ঙাইরবা হেলিপেদ অদু থুগাইনবগী পার্মিট অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখ্রে। বাইদেননা য়ু এসকী ৪৬ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা জান্যুৱারী ২০ গী অয়ুক্তা দোনাল্ড ত্রম্প রিজোর্ট অদুদা চঙশিনখিবনি। ফুট ৫০ শাংবা অমসুং ইঞ্চি ৮ লুবা কনক্রিট স্লেব অমা ওইরিবা হেলিপেদ অদু কুমজা ২০১৭ কী ফেব্রুৱারীদা মার-এ-লাগাগী নোংচুপ থংবা লোলদা শাখি।

টাউন মেনেজর কির্ক ব্লইননা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা হেলিপেদ অদু লৌথোকখিনবগী পার্মিটকী মরমদা ক্লবকী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা হংবা লৈখ্রে। মখোয়না মদু মখা তানা লৈহন্নবা হায়জরকখিবা লৈতে। রিপোর্ট অদুদা হেলিপেদ অদু করি নুমিত্তগী থুগাইবা হৌরগনি নত্রগা প্রোসেস অদু কয়াম কুইনা চংগনি হায়বগী মতাংদা পনখিদে।

পাম বিচ টাউননা মহৌশানা হেলিপেদ থম্নগী অয়াবা পীদ্রবসু মার-এ-লাগোসতা হেলিপেদ অমা থম্বা য়াহল্লিবদু মদু এগজিক্যুটিভ ওফিসকা মরী লৈনবা বিজনেসখক্কী ওইনা শীজিন্নবা অমসুং ত্রম্পনা হ্বাইট হাউস থাদোকপা মতমদা লৈহন্দবগী কন্দিসনদনি। ত্রম্পনা মার-এ-লাগোদা ময়ুম ওইশিনবগী ফীভমগী লিগেল রিভ্যু অমা পাম বিচ ওথোরিটিশিংনা চত্থরি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমা হৌখিবা থাদা ফোঙখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী নৌনা খোঙথাং অসি লাকপনি। রিভ্যু অদু করম্বা মতমদা লোইগনি হায়বসি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। নেস্নেল লেন্দমার্ক অমা ওইরিবা রিজোর্ট অদু ত্রম্পনা কুমজা ১৯৮৫ দা লৈখিবনি।

# ওপরেসনদা টেররিষ্ট ২, লান্মী ২ শিরে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

পাকিস্তানগী নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা চত্থখিবা সিক্যুরিটি ওপরেসন অমদা টেররিষ্ট ৪ অমসুং লান্মী অনী শিরে হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা অর্মীগী মীদিয়া ৱিং ইন্টর সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সনা হায়, য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা মির অলি টাউনদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা লান্মী মরি শোকখি। মির অলিগী কম্পাউন্দ অমদা টেররিষ্টশিং লৈরে হায়বসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খঙলকখিবনি।

ত্রুপশিংনা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থম্বগা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখি। নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কন্না কাপ্নখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট ৪ শিখি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, শিরিবা টেররিষ্টশিং অদু মী ফারগা শেল লৌবা, নম হাদুনা শেল খাইবা, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা আই ঈ দি পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা রেইদ কয়াদা চেন্নে।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা পাকিষ্টান মিলিটরিনা নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা টালিবান য়াওনা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা পরিং নাইনা ওপরেসন চত্থখি। টেররিষ্ট অয়াম্বা তকথোকখ্রবসু মফম অদুদা লৈহৌরিবা মচিৎ মখাকশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা হৌজিকসু এটেক চত্থদুনা লৈরি।

# মুন জে ইন অমসুং বাইদেন ৱারী শান্নখ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা শগোলশেন নুমিত্তা কোরিয়ন পিনিন্সুলা অমসুং অতৈ ইশ্যু কয়াগী মতাংদা অমেরিকাগী মহাক্কী লেংমান্নবা জো বাইদেনগা ফোনদা ৱারী শান্নখ্রে হায়না সিওলদা প্রসিদেন্সিএল ব্লু হাউসনা ফোঙদোকখি।

মিনিট ৩০ ৱারী শান্নবা অদুদা মুনগী মায়কৈদগী সিওল অমসুং ৱাশিংটননা কোরিয়ান পোনিন্সুলাবুদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈহন্দনবা হোৎনবা অমসুং তুং-কোইনা চৎনগদবা পিছ সেটলমেন্ট অমা পুরক্নবা হোৎনবগী থবকশিং থুজিন্নবা সিওল অমদি ৱাশিংটননা পুন্না হোৎনমিন্নবগী ৱাফম হৌদোকখি। লুচিংবা অনীনা ক্লাইমেট চেঞ্জ, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক, গ্লোবেল ইকনমিক রিকভরিনচিংবা মরু ওইবা অতৈ মালেমগী ইশ্যুশিংগী মতাংদা অরৈবা মতশিং ফোঙদোক্লখি। পেন্দমিক লাকশিনবা ঙল্লকপগা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবা মখা তানা লেপ্তুনা পাউ ফাওনবগী ৱাফম মখোয়না য়ানখি। মদু বাইদেননা জান্যুৱারী ২০ দা ৱাশক লৌখিবা মতুংদা পাঙথোকপা মখোয়গী অহানবা ফোন দাইলোগনি। বাইদেননা মীখলদা মায় পাকখিবা মতুং নবেম্বর ১২ দসু মখোয়না ফোনদা ৱারী শানখি।

# হোং কোংদা লৈবা কোন্স্যুলেটশিংনা দ্যুএল নেস্নেলশিংদা মতেং পাংদ্রে: কনাদা

হোং কোং, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

হোং কোংনা গ্লোবেল ফাইনান্সিএল হব অসিদা লৈরিবা দ্যুএল নেস্নেলশিং ফোরেন কোন্স্যুলেটশিংগী মতেং ফঙহনদ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কনাদিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ সোভরেনগা মান্নদবা মওংদা সোমি-ওটোনোমস হোং কোংনা মহৌশানা দ্যুএল নেস্নেলশিং য়াখি। তৌইগুম্বসুং হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিনা কুমজা ১৯৯৭ তা চাইনাদা হল্লকখিবা মতমদা খুৎয়েক পীনখিবা ব্রিটিশিংগী মখাদা ফোরেন সিটিজনশিংনা মখোয়গী কোন্স্যুলেটশিংগী মতেং লৌহন্দবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক দিপ্লোমেটশিংনা হায়রি মদুদি চহী ২০ হেনবগী মমাংদা হোং কোংনা চাইনিজ লৈঙাক্তা হল্লকখিবদগী লোকেল ওথোরিটিশিংনা দ্যুএল নেস্নেলশিংবু কোন্স্যুলেটশিংদা চঙবগী অয়াবা পীখি। হৌজিক্তি অহোংবা লৈরে হায়না দিপ্লোমেট মঙানা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

মমাং চহীগী জুনদা অনৌবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লো অমা চৎনবা হৌখিবদগী নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা উংখৎনবা লৈরিঙৈদা হোং কোংনা কোন্স্যুলর ব্রিটিশিং হেন্না চেকশিন্না চৎনহন্নবা হোৎনরক্লি হায়বসি খোঙথাং অসিনা উৎলি।

নোংচুপলোমগী অমসুং এসিয়াগী দিপ্লোমেটশিংনা হায়রি মদুদি, ফোরেন কোন্স্যুলেটশিংগী মতেং লৌবগা মরী লৈনবা ব্রিটিশিং মহৌশানা অমগা অমগা চপ মান্নবা খুদোংচাবশিং ফঙহনবগী য়ানবদা য়ুম্ফম ওই। তৌইগুম্বসুং মসি দ্যুএল নেস্নেলশিং শকখঙবগী মতাংদা য়ান্নদবা ৱাফম খরা লৈবনা লুশিনহনবা য়াই।

নোংচুপলোমগী গভর্ণমেন্টশিং অমসুং লোকেল পোলিটিসন খরনা খল্লিবদি অনৌবা সিক্যুরিটি লো অদু ফাইনান্সিএল হব অসিগী মীয়ামগী ফ্রীদমশিং লাকশিনবদা শীজিন্নে হায়বসিনি। ৱাফম অসি চাইনিজ অমসুং হোং কোংগী ওফিসলশিংনদি য়াদ্রি। হোং কোংগী জেলদা লৈবা কনাদিয়ন দ্যুএল নেস্নেল প্রিজনর অমগী নেস্নেলিটি লাউথোক্কদবনি হায়বা নোটিফিকেসন অমা ফঙলে কানাদানা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং প্রিজনর অদু মশক তাক্তবগা লোয়ননা মহাক্না জেলদা লৈবগী মরমসু পনখিদে।

# ইরাননা পাকিস্তানদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চত্থদুনা বালোচ টেররিষ্টশিংনা ফাজিনখিবা বোর্দর গার্দশিং কনখ্রে



টেহরান, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

পাকিস্তানগী লম মনুংদা ইন্টলিজেন্স ওপরেসন অমা চত্থদুনা ইরানগী এলিট রিভোলুস্নরি গার্দস (আই আর জি সী) মখোয়গী লান্মী অনী কল্লে হায়না ফোর্স অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা আই আর জি সি এজেন্ট ফোর্সকী কুদম বেজনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা ইন্টলিজেন্স ওপরেসন অমা মায় পাক্লা চত্থদুনা ফোর্স অসিগী বোর্দর গার্দ অনী কনখি।

চহী অনী মখায়গী মমাংদা জাইস উল-অদল ওর্গনাইজেসন্না কিদনেপ তৌখিবা বোর্দর গার্দশিংদু রেস্ক্যু তৌনবগী পান্দমদা হৌখিবা লৈবাকপোকপগী নুমিদাং অথেংবদা ওপরেসন অমা মায় পাক্লা পাঙথোকখি হায়না আই আর জি সীনা মসিগী ষ্টেটমেন্টদা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না লান্মীশিং অদু ইরানদা মায় পাক্লা পুরকখি। কুমজা ২০১৮ গী ওক্তোবর ১৬ তা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা রেদিকেল ৱাহাবি টেররিষ্ট গ্রুপ জাইস উল-অদলনা লৈবাক অনীগী বোর্দরদা লৈবা সিষ্টান অমসুং বালুচেষ্টান প্রোভিন্সকী মের্কাভ সিটিদগী আই আর জি সীগী গার্দ ১২ কিদনেপ তৌখিবনি। কিদনেপ তৌখিবা আই আর সী জিগী লান্মীশিং অদু কন্নবগীদমক্তা টেহরান অমসুং ইস্লামাবাদকী মরক্তা মিলিটরি ওফিসলশিংনা জোইন্ট কম্মিটি অমা শেমখি। ফাখিবা লান্মীশিংদুগী মনুংদা লান্মী মঙা কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বর ১৫ দা থাদোকখি অমসুং লান্মী মরিনা কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ২১ দা পাকিস্তানি অর্মীনা রেস্ক্যু তৌখি।

ইরাননা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা জাইস উল-অদলনা ইরানগী বালোচ সুনিশিংগী রাইটশিং কন্নবা হোৎনবনি হায়না ক্লেম তৌরদুনা ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা খুৎলাই পায়দুনা লাল হৌরকখি। পাকিস্তানগী খা নোংচুপ থংবা লমদমদগী ইরানগী খা নোংপোকথংবা লমদমদা ক্রোস বোর্দর এটেকশিং চত্থদুনা লাকখিবা টেররিষ্ট গ্রুপ অসিনা কুমজা ২০১৯ গী ফেব্রুৱারীদা ইরানগী বাসিজ পেরামিলিটরি বেজদা এটেক চত্থদুনা আই আর জি সীগী মেম্বর কয়া শিহনখি অমসুং শোকহনখি।

# ইন্দোনেসিয়াগী ডোক্টর ৩০৩ শিহনখ্রে


জকার্টা, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

ইন্দোনেসিয়াদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা ডোক্টর ৩০৩ শিখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী মেদিকেল এসোসিএসনগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কোভিদ-১৯ গী ভিক্টিম ৩০৩ দুগী মনুংদা ১৬৯ না জেনরেল প্রেক্টিস্নরশিংনি, ১২৯ না স্পেসলিষ্টশিংনি অমসুং মঙানা রেসিদেন্ট ডোক্টরশিংনি।

লায়না অসিনা শিহনখিবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা ইন্দোনেসিয়ন ডোক্টরশিং অদু চহী ৮১ অমসুং চহী ৮৫ গী মরক্তা লৈবশিংনি। পুন্না লেঙ্গা অসিগী ডোক্টর তরুক শিখি। খ্বাইদগী নহা ওইরিবা ডোক্টরশিং অদুনা চহী ২৮ অমসুং ৩০ গী মরক্তা লৈবশিংনি। পুন্না চহী লেঙ্গা অসিগী ডোক্টর ১১ শিখি। পেন্দমিক অসিনা ডোক্টর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা থাদি কুমজা ২০২১ গী জন্যুৱারীনি। থা অসিদা পুন্না ইন্দোনেসিয়ন ডোক্টর ৬৭ শিখি। কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদনা কোরোনা ভাইরসনা লৈবাক অসিগী ডোক্টর ৫৫ হাৎখি। পেন্দমিক অসিদা ডোক্টর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবা ইন্দোনেসিয়াগী প্রোভিন্সশিংদি ইষ্ট জাবা (৬০), জকার্টা (৪৪), সেন্ত্রেল জাবা (৪৪), ৱেষ্ট জাবা (৩৪) অমসুং নোর্থ সুমাত্রা (২৭) নি।

# সেহবাজ শরিফ হোস্পিটাল চৎলুরগা জেলদা অমুক চঙখ্রে



লাহোর, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী) :

পাকিস্তানগী নেস্নেল এসেমব্লিদা ওপোজিসনগী লিদর ওইরিবা সেহবাজ নৱাজ শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা মশা শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটাল অমদা চেক তৌরবা মতুংদা লাহোরগী কোট লাকপাট জেলদা অমুক হঙ্গিনখ্রে।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী মতুং ইন্না, সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি অমসুং হোস্পিটালগী মনুং অমসুং অকোয়বদা পুলিস কন্টিনজেন্ট অমা দিপ্লোই তৌখি। ওপোজিসন লিদর অসি পোজিট্রোন ইমিসন টোমোগ্রাফি (পি ঈ টি) স্কেন অমসুং অতৈ মেদিকেল টেষ্টশিং পাঙথোক্কনি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবনি। মেদিকেল টেষ্টশিংদুগী রিপোর্টশিং খঙলবা মতুংদা মহাক দিসচার্জ তৌরগা জেলদা অমুক থারকখি।

মনি লোন্দরিং অমসুং মশাগী মিন্সকা চানদনা লন থুমশিং পৈশিল্লম্বগী কেসকা মরী লৈননা মহাক মমাংগী চহীদা নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা ফাখিবনি। মহাক জুদিসল রিমান্দদা লৈরকপনি। ফেব্রুৱারী ৩ দা লাহোরগী কোর্ট অমনা কেস অদুগী হিয়ারিং ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবা য়ৈথোকখ্রবনি।


## GOVERNMENT OF INDIA
## Nehru Yuva Kendra Sangathan : Bishnupur
## Ministry of Youth Affairs & Sports
### ꯀꯧꯔꯛ ꯆꯠꯄ / Call for National Youth Volunteers

Nehru Yuva Kendra Sangathan, Bishnupur, Government of India is inviting applications for recruitment of **National Youth Volunteers** from amongst the energetic youths for the year 2021-2022. They will carry out awareness campaign and other developmental activities in the district.

**Eligibility:** i) Education : Class 10th Passed.
ii) Age : between 18 and 29 years as on 1st April, 2021.
iii) **Regular students are not eligible for applying for NYC volunteership.**

**Honorarium:** Rs. 5000/- P.M. all inclusive for 2 (two) years. This is neither a paid employment nor confers any legal right on the volunteer to claim employment with the Government.

**How to Apply:** Visit the department's website (**www.nyks.nic.in**) for details of the scheme, application, proforma and apply both online and offline latest by **20th February 2021.** For detail, please contact the undersigned during office hour.

Sd/- **Dr. Salam Dhanachandra Singh**
**District Youth Officer**
**Nehru Yuva Kendra Sangathan**
**Near Loukoipat, Bishnupur District**
**Office Phone : 03879-222245, # 9436337630**

HL-P/8788/5,6

## Government of India
## Ministry of Youth Affairs & Sports
### ꯀꯧꯔꯛ ꯆꯠꯄ / CALL FOR NATIONAL YOUTH VOLUNTEERS (NYV)

Government of India seeks young persons to help, channelize their energies and capabilities towards nation building activities by organizing them into volunteers groups. You shall be asked to spearhead campaigns/ awareness programme about health, literacy, sanitation, gender and other social issues and may also be called upon to assist the administration in emergency or implementation of various programmes.

**Eligibility:** i) Education At least class X Pass (Class X )
ii) **Age Between 18 and 29 years, as on 1st April, 2021.**
iii) **No regular students are eligible for applying for NYV volunteership.**

**Honorarium:** Rs. 5000/- p.m. all inclusive for two years. This is neither a paid employment nor confers any legal right on the volunteer to claim employment with the Government.

**How to Apply:** Visit the department's website **www.nyks.nic.in** for details of the scheme, application, proforma and apply **to the District Youth Officer, Nehru Yuva Kendra Imphal West, D.C. Office Complex, Lamphelpat on or before 25th February, 2021.**

**Phone: 03852415636.**
**Mobile: 7005058772.**

Sd/- **Lisam Marjitkumar Singh**
**District Youth Officer**
**NYK Imphal West, Manipur**

HL-P/8778/4,5

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
**Imphal, the 1st February 2021**

No. IMC/52/RO/M-Shops/2019-20: With reference to letter No, 3/7/2019-ISCL dated 27/01/2021 and 30/01/2021 of CEO, Imphal Smart City Ltd. regarding the development of Mall Road (Phase -1) on the Thangal Bazar Road (from BT. Road Flyover point to Kashturi crossing) as a part of Smart City Project, this is to notify to all the Shop Keepers/Owners, transacting business at Thangal Bazar Road (from BT. Road Flyover point to Kashturi crossing) to take up the following necessary actions:

1. **Uniform shop signages:** As proposed by Imphal Smart City Ltd. to have a uniform and standardized signage display in front of the shops/establishments, which shall be tailor-made and procured. For this purpose, you are requested to provide the name of the Shopkeepers/Owner with their desired display contents on the signage in both hard and soft copy.
2. **Removal of projections from the building lines:** All the Shopkeepers/ Owners are requested to remove all the unauthorized projections/extensions from the buildings/shops within **15th February, 2021** which are made for sunshades or otherwise as the projections/extensions not only encroach upon the public footpath, it also obstructs public free movements and also promotes street vending.
3. **Uniform painting of the building facades with theme colours:** As a part of this Project, the ISCL (Imphal Smart City Ltd.) also proposed to re-paint the facades of the buildings on the proposed Mall road with a prescribed color theme to bring uniformity and appeal. The material cost is to be funded by ISCL. Further, it is also notify to all the owners of the unfinished buildings to complete the construction on or before **15th February, 2021.**
4. **Removal of aerial wire/cabling:** MSPDCL, and all the local TV Channels are requested to remove all the aerial wires/cables wiring/cabling within the mentioned area before **15th February, 2021.**

Sd/- **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation.

HL-B/6757/4,5